# কেপিদাসনা ডাইরেক্সন পীবা লক্কি ৭ ষ্টারগী "লৈকাই বোইনাও"



মলেমগী মফম কয়াদা খোংজেল য়াংনা চংশিনলিবা ফিল্মগী খোংচৎ তুংইন্না ঐখোয়গী ফিল্ম পুথোক্লিবাশিংনা ফোরমেট তা হেন্না মিৎয়েং চংবাগী তঙাইফদবসু লৈরি।

লোইননা নেসনেলগী ওইবা কম্পিটিন্সনশিংদা ফিল্মগী মগুন ইখন খম্বাদনা লমদম অসিগী ফিল্ম মেক্করশিংনা লমজেন তান্নবাগুম ফিল্ম পুথোক্লবগী মহুৎত্তা কুপথনা নৈন্দুনা মতম চংনা হেন্না অফবা মখলগী ফিল্মশিং পুথোকপদা ওইনা লমজেন তান্নবনা অচুম্বা ওইগনি।

অমারোমদা য়াম্না য়াংনা মশিং য়াম্না পুথোক্লরম্বা মণিপুরি দিজিটেল ফিল্মশিং পুথোক্লরম্বগী চাং খরা শোন্থরকপাগুম উরিবা অসি অফবা খুদম ওইরিব্রা নত্রগা করিনো হায়বদু কুপ্না নৈনবগী তঞ্জা অমনি হায়জনিংঙি।

অসিগুম্বা তঞ্জা অসিদা য়াম্না নহা ওইনা লম অসিদা মচিন তুমখৎলম্লিবা ডাইরেক্টর কেপিদাসনা ডাইরেক্টসন পীদুনা পুথোক্কদৌরিবা লক্কী ৭ ষ্টারগী ৭শুবা প্রদক্সন "লৈকায় বোইনাও" হায়রিবা মণিপুর ফিচর ফিল্ম অসিনা ৮০ % লোইশিনলক্ল বা ফেমিলি,রোমান্স,কোমিদিদা যুম্ফম ওইদুনা পুথোক্কদৌরিবা ফিল্ম অসিদা মরুওইনা পুথোক্কদৌরিবা ফিল্ম অসিদা মরুওইনা শক্তম লাংলিবাশিংদি ঃ- গোকুল,নিরমন কাঙজম,ইথোই,সুরজিৎ,গিতা,ইন্দু ইবাই অচৌবা,সনাথোই,ভিমসেন,ইধৌ(রামেসচন্দ্রা),শান্তি,মাঙলেম অমদি সুপরজিৎ নচিংবনা ওইরি।

হৌজিক ফাওবদা চাওরাক্লা নুমিৎ ১৪ নি চংনা ৮০% কী চাংদা লোইশনলক্লবা ফিল্ম অসিগী লেমহৌরিবা শরুকশিং অসি লোইশনবদা নুমিৎ ৬ নি অমগা পুন্না ৱাকিং দেস নুমিৎ ২০ দা লোইশন্নবগী পান্দম থল্লিবা ফিল্ম অসিগী শন্নপ্পা ৱারিদি ঃ-

খুঙ্গং অমদা হৌরকপা হেলোই,ইচম চম্না হৌরকপী ওইজরবসু মশক নাইবী ফিল্মগী এক্টেস অমা ওইনিংবগী মঙলান লোইন্দুনা হৌরকপনি।

হেলোইগী পামজবা অদু মতম খুদিংমক্তা খুঙ্গং অদুমক্তা হৌমিন-কামিনরকপা মাগী লৈকাই বোইনাও না পুক্লিং থৌগৎত্তুনা লাকই।

হেলোইগী পামজবাদু খংবা লৈকাই অদুমক্তা লৈবা ফিল্ম শুটিংগী ভান থৌবা মাঙলেমনা হেলোইবু ফিল্ম শুটিংদা অপীকপা রোল অমাগীদমক ফিল্মগী প্রাদুসর,ডাইরেক্টরদা ৱানোমদুনা ফংখি।

শুটিং মফমদুদা শক্লাইরবা ফিল্মগী এক্টর কোরৌনা হেলোই উরুবদা মশাদা অঙকপা অমাগা লোইননা মাগী মরমদা খংনিংবা পোকখি।

মশাদা টেলেন্ট লৈবাতা নত্তনা মথৌদা পুক্লিং চংবী হেলোইনা কোরৌগী মতেংগা লোইননা ফিল্মগী লম অসিদা মখা তানা চংশিন্দুনা মথং মথং মাই পাকপাগী লম্বীদা খোংদবা হৌখি।

খুঙ্গংদা হৌরকপি হেলোই মীয়াম্না পাম্নবী ফিল্মগী শক্লাইরবি এক্টেস অমা ওইদুনা ইম্ফালদা হোংগৎতুনা লৈখিবা। নাকন অমারোমদনা পীশক পীক্লিকৈঁদগী হোলোইগীদমক ৱাজরকখিবা লৈকাই বোইনাওগী পুন্সিদা পাউখুম ফংদ্রবা ৱাহংনা পীক থনলম্মী।

অদুমকপু অফং অফংবা থবক খরা শুদুনা হিংজবা লৈকাই বোইনাওনা মাগী নুশিজবী হেলোইগী মাই পাকপা পুন্সিদুবু উরাগা হায়নিংঙাই লৈত্তনা হরাওজে। মা মশামক্তা থোকপাগুম চাওথোকচৈ। অদুবু অমত্তা ওইনা চৎমিন্নরম্বা মখোই অনীগী পুন্সি লম্বীনা তোখাই তোখাইনা ওইরক্লবা তঞ্জা অসিদা হেলোইগী মফমদা মাগী লৈকাই বোইনাওগী মফম অমা লৈরিদরা?





নত্রগা মীয়ামগী কলক্লফম অমা ওইবা নত্তনা হেলোইবু ফিল্মগী তাইবংগী অৱাংবা ফিদাদা মখুৎ পাইদুনা থাংগৎপীরকপা কোরৌবু করম্বা মখলগী ফিদা অমা কন্দুনা হেলোইগী মফমদা লৈরিবা হায়রিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুমগা লোইননা অনৌবা মেসেজ অমা পীগদৌরিবা ফিল্ম অসিগী ক্রেদিট লাইনদা লৈরিবাশিংদি ঃ-মেক-অপতা নোঙলেনখোম্বা,ইক্যুপ্টমেন্ট এন্দ প্রোসেসতা লক্কী ৭ ষ্টার,পোরোম্পাট,ষ্টোরি এন্দ স্ক্রিন প্লেনা কেপিদাস অমদি নিরমল কাঙজম,ম্যুজিক ডাইরেক্টরনা রনবির থৌনা,ত্রান্সপোর্টনা রিশি অমদি ইভাইনি,এষ্টিটেন্দ এডিটরনা অহল খাবানা ওইরিবা ফিল্ম অসি চৎলিবা চহি অসিগী আগষ্ট থাদা রিলিষ্ট তৌনবা পান্দম থল্লী।

মণিপুরি ফিল্ম "শজি মিৎতা","হায়দোকপা য়াদে","হেননা নুঙাইজৈ" নচিংবা ফিল্মশিং পুথোকখ্রবা বেন্নর লক্কী ৭ ষ্টারগী ৭ শুবা প্রদক্সন অসিগী ডাইরেক্টরনা কেপিদাসনি।

ঐচ রাজেসে

## ষ্টেটকী থাক্তা শান্নবগী পাউদম

### নিপালশুবা কংলৈ মেগা স্পোর্টস ফেষ্টিভেল ২০১৯

#### আই ই দি এফ এ মায় পাকখ্রে,আই দব্লিউ দি এফ এ অমদি দি এস এ-বি পি আর দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল,মার্চ ২৩ঃ

কংলৈপাক ষ্টুদেন্ট এসোসিয়েসন (কে এস এ)না শিন্দুনা থা অসিগী ২০ দগী ২৫ ফাওবা চখগদবা ৮শুবা কংলৈ মেগা স্পোর্টস ফেষ্টিভেল ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা ফুটবোল মশান্নগী মেটচশিংদা আই ই দি এফ এ মায় পাকখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদনা আই দব্লিউ দি এফ এ অমদি দি এস এ-বি পি আর দ্রো চৎখ্রে।

ইম্ফালগী মপাল কাংজেবুংদা টিম ৪ না শরুক য়াদুনা চখরিবা ৮ শুবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট কংলৈপাক ফুটবোল ট্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দা আই ই দি এফ এনা দি এফ এ-টি বি এলবু গোল ২-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মায় পাক্লবা আই ই দি এফ এগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ১২ চন্দ্রাকুমারনা মিনট ১৭ অমদি অনীশুবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ১০ ব্লিকিনা মিনট ১৭ দা চনখি। মেটচ অসিদা আই ই দি এফ এগী শান্নরোই জর্সি নম্বর ৪ অমীট্টাদা য়েলো কাদ বুক তৌখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দা শান্নখিবা মেটচতনা আই দব্লিউ দি এফ এ অমদি দি এস এ-বি পি আর গোল ১-১ দা দ্রো চৎখি।

আই দব্লিউ দি এফ এগী গোল অদু অহানবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ৯ পি ঐচ রোষ্টমনা মিনট ১৮ দা চনখি।

অদুগা দি এস এ-বি পি আরগী গোল অদুনা অনীশুবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ৭ কে রাকেসনা মিনট ৬৪ দা চনখি।

*থাং-তা চেম্পিয়ন্সিপ ঃ-*

সঙাইপ্রোরৌ মমাঙ অলকাই কম্যুনিটি হোলদা নুপামচা অমদি নুপীমচা পুন্না ১৯২ না শরুক য়াদুনা চখরিবা ৪ শুবা কংলৈ থাং-তা চেম্পিয়ন্সিপকী চহি ১৭ মখা নুপামচা ফুন্নবা অনীশুবগী কে জি ৪৯ দা সি ঐচ রিশিকন্তানা অহানবা,কে ঐচ অবোচা সিংহনা অনীশুবা অমদি এস নোংয়াই মৈতৈনা অহুমশুবা তাখি।

কে জি ৫৩ দা ৱাই উমাকন্তা মৈতৈনা অহানবা,এল বোরিস শর্ম্মানা অনীশুবা অমদি থোই থোইবা খুমনথেমনা অহুমশুবা তাখি।

কে জি ৫৩ মথক্কীদনা এম টুলজিৎনা অহানবা,সি ঐচ অবাসনা অনীশুবা অমদি কে ঐচ দিনেসনা অহুমশুবা তাখি।

চহি ১৭ মখা নুপপীমচা ফুনবা অনীশুবাগী কে জি ২৫ দা ৱাই য়াইফবানা অহানবা,কে লক্কিনা অনীশুবা অমদিদব্লিউ কোরিয়া চন্নুনা অহুমশুবা তাখি।

কে জি ২৯দা এল নিবাসশিনিনা অহানবা,ঐচ লাংলেনসনা চন্নুনা অনীশুবা অমদি য়াইফাবি চন্নুনা অহুমশুবা তাখি।

কে জি ৩৩ দা জোয়োটি সুনানা অহানবা,মেঘা ৱাংখৈমায়ুমনা অনীশুবা অমদি এস ঐচ লাংলেন চন্নুনা অহুমশুবা তাখি।

কেজি ৩৭ দা এল এলিচাইনা অহানবা,ও তোম্বাসনানা অনীশুবা অমদি এল ইরেনোনা অহুমশুবা তাখি।

কে জি ৪১ দা চান্দানি সুনানা অহানবা, টি রোশিতানা অনীশুবা অমদি কে অঞ্জালিনা অহুমশুবা তাখি।

কে জি ৪৫ দা এল এনিনা না অহানবা,টি ঐচ পুস্পারানিনা অনীশুবা অমদি সি ঐচ অশারানিনা অহুমশুবা তাখি।

কে জি ৪৯ দা এন জিবনলাটনা অহানবা,সি ঐচ দিনিটানা অনীশুবা অমদি সি ঐচ রোশিটানা অহুমশুবা তাখি।

কে জি ৫৩ দনা ঐচ এলীয়া চন্নুনা অহরনবা,প্রিয়াঙ্কা নোংথোবমনা অনীশুবা অমদি এন জুলিয়ানা অহুমশুবা তাখি।






### মাপলশুবা জর্নেলিষ্ট স্পোর্টস মীট ২০১৯

#### ইভিনিংগরনা ফুটবোলগী ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল,মার্চ ২৩ঃ

ওল মণিপুর ৱাকিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন(এ এম দব্লিউ জে য়ু) না শিন্দুনা চহি খুদিংগী লেপ্তনা য়াওশং মনুংদা নুমিৎ ৫ নি চুপ্না চখগদবা ৯শুবা জর্নেলিষ্ট স্পোর্টস মীর্ট ২০১৯ ঙসি ৪ নি চনবা নুমিৎতা খুমন লম্পাক আর্টিফিসিয়েল তর্ফ গ্রাউন্দা শান্নখিবা ফুটবোল মশান্নদা ইভিনিংগরনা ৱিন্নর ওইখ্রে।

টিম ৭ না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা মশানা অসিগী ফাইনেল মেটচতা ইভিনিংগরনা মমাঙগী ৱিন্নর মেদিয়া য়ুনিফাইদপু গোল ২-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ফাইনেল মেটচ অসিগী হৌরকপদা টিম অনীনা লম্বা চানা শন্দুনা গোল একাউন্ট হাঙবা হোৎনদুনা টিম অনীমক গোল কিপ্পর শিংবু কয়ারক হন্না চায়েং তৌখ্রবসু গোলদা ওন্থোকপা ঙম্নাখিদে।

অহানবা হাল্ফ লোয়রমদাই মিনট ১১ অমদি ১৩ চৎপদা ইভিনিংগরগী জর্সি নম্বর ১৯ কে ঐচ তাইবংঙানবানা গোল ২ চন্দুনা মায় পাকপগী য়ুম্ফম অদু থোনখি।

মশান্না অসিগী শান্নখিবা অহানবা মেটচতা তোম টিভিনা সনালৈবাক গোল ৪-১ দা মায়থিবা পীখি।

তোম টিভিগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১৭ না গোল ৩ অমদি জর্সি নম্বর ১৫ না ১ চনখি।



সনালৈবাক্কী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ৬ পোৎশঙবম জাশোধন্তানা চনখি।

অনীশুবা মেটচতা ইম্পেক্ট টিভিনা আই এস টি ভিবু গোল ৩-১ দা মায়থিবা পীখি। অহুমশুবা মেটচতনা ইভিনিংগরনা সঙাইবু গোল৩-০ দা মায়থিবা পীখি।

অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতনা য়ুনিফাইদনা তোম টিভিবু কিক ফ্রোম পেনালটি মাকতা গোল ৫-৪ দা মায়থিবা পীখি।

অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতনা ইভিনিংগরনা ইম্পেক্ট টিভিবু গোল ৩-০ দা মায়থিবা পীখি।

স্পোর্টস মীর্ট অসিগী হয়েংগী ইভেন ওইনা লংথবাল পাব্লিক গ্রাউন্দা ক্রিকেট মেটচশিং শান্নগনি।

**Medal Tally**

| Rank | Team | G | S | B | T |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | ISTV | 6 | 3 | 4 | 13 |
| 2 | IMPACT TV | 3 | 1 | 3 | 7 |
| 3 | SANGAI | 2 | 1 | 0 | 3 |
| 4 | EVENINGER | 2 | 0 | 0 | 2 |
| 5 | SANALEIBAK | 1 | 3 | 1 | 5 |
| 6 | TOM TV | 1 | 1 | 0 | 2 |
| 7 | MEDIA UNIFIED | 0 | 3 | 0 | 3 |

APOLLO TUTORIAL CENTRE
Admission Open For
FOUNDATION COURSE - XI & XII Science
CLASS XII- ENGLISH TUTION [ COHSEM] MORNING [ SUN & HOLIDAY]
WANTED TWO RECEPTIONIST WITH COMPUTER KNOWLEDGE
Apply On Or Before 31ST MARCH 2019
Facilities
✓ Hostel Seats For Boys & Girls
✓ Free Text Book Sets
✓ No Admission Fee
✓ MOCK Test Series
Special Concession
✓ SC/ ST / MOBC
✓ Meritorious Students
✓ Govt. School Students
✓ Hostelers (Apollo)
Form Issue: 01/02/2019
Class Starts: 02/04/2019
Class Timing: 4:30pm-7:40pm
LAST DATE OF ADMISSION 2ND APRIL 2019
FOR CLASS- X 2019 APPEARING STUDENTS 30% CONCESSION FOR 1ST 30 STUDENTS
For details please contact : Apollo office Kwakeithel Bazar Near AMUCO Office, Imphal 795001

HURRY COME & JOIN
Simplicity for Life
HURRY COME & JOIN
PRE - LAUNCH IN MANIPUR
Idea Dream Project for Everyone
Single Line Network Marketing
No Capping & No Pair
Joining Fees ₹1500/- & Also Get Any Product
SL/ P

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com